ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯖꯨꯟ ꯲꯳, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯹꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জুন ২৩, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০৯০ শুবা মশীং

লৌমীশিংদা য়ুরিয়া ফংহনবা

দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর খুদিংদা য়ুরিয়া ফংহন্নবা থবকপায়খৎলু

লৈবাক অসিগী চাউখৎ-থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদা লৌ উবা য়াবা লৌফমশিং মাঙখিবগী ৱাথোক মরকসিদা লৌ উনরিবা পীকখ্রবা লৌফম হেক্তর খরখকসিদা থাবা মহৈ-মরোংনা ঐখোয় পুম্নমক চাবা কোন্ননবা হোৎনবা হায়বসি অৱাবা অমনি। চেঙ মরু অমনা তোর্বোত মরুবু চাউনা পালহনবা ঙম্বসু নত্তবনিনা ঐখোয়গী লৈজরিবা লৌফম খরখকসিদা চাথোক লৈবা ফৌ থাহনবা, অতেনবা মতমগী মনুংদা ফৌ লোকপা ঙমহনবা, লৌখোংদা ঈশিং মরাং কায়না লৈহনবা, মতম-মতমগী লাকপা লায়না-তিন্নাশিংদগী ঙাকথোক্লবা থৌরাং তৌবা অমসুং ফৌ পান্থীশিংগী তঙাইফদবা মচীঞ্জাক পীননবা হোৎনবা হায়বসি লৈঙাক্কী মপূং ওইবা থৌদাংনি। ইম্ফাল ময়োলদা লৈবা মীওই অয়াম্বা লৌ উবা তন্নরে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি মখোয় মশানা হকথেংননা লৌবুক্তা কুমদুনা লৌ উবসু ঙমদবা, লৌ উবদা চঙবা মচাকশিংগী মমল কা হেন্না ৱাংলকপা অমসুং ঈশিং চাউরগা নৎত্রগা ঈশিং লৈত্রগা লৌ লোকপা য়াদবগী অৱাবা কয়া অসিনা লৌ উবা শেল মাঙই হায়বগী ৱাখলনা মখোয় অয়াম্বা লৌমী ওইদ্রে। ইম্ফাল মনুংদা লৈবা লৌমীশিংগী মনুংদা খরদি কার তোংবা মীওই ফাওবা য়াওরবনি। হৌজিক্তা লৌ উবদা খ্বাইদগী অৱাবা মায়োক্লরিবা কাঙবুদি লোইজিং-লোয়াদা লৈবা লৌমীশিংনি। মখোয়না থেংনরিবা অৱাবদু লৌমী-শিন্মীগা মতম চুপ্পদা নকশিন্নদুনা লৈগদবা ষ্টেটকী লৌউ-শিংউ লোয়শঙ অমসুং মসিগা মান্নবা অতৈ লৌরুংশঙগী ওফিসশিংনা খঙগদবনি। লৌমীশিংনা মখোয়গী ওফিসতা লাকপগী মহুত্তা লৌরুংশঙগী থৌমীশিংনা লৌবুক্তা চৎকদবনি অদুগা মখোয়না থেংনরিবা অৱাবদু কোকহন্নবা হোৎনগদবনি। লৈঙাক্না পায়খৎলিবা লৌমীশিংগী য়াইফ-থৌরাংগা মরী লৈনবা স্কিমশিং পাউচেদা ঙাইহাক-ঙাইহাক হাপ্পগী মহুত্তা লৌবুক্তা চৎলগা লৌমীশিংদসু খঙহনগদবনি। অসুম্না লৈঙাক্কী থৌবাঙলোয়শিংগা লৌমীশিংগা অদুক্কী মতীক নকশিন্নরিঙৈমখৈ ষ্টেট অসিদা পোথোক পুথোকপগী চাং ৱাংখৎলক্কনি অমসুং লৌমী-শিন্মীশিংগী ফীভম নোংমা-নোংমগী ফগৎলক্কনি।

কুমজা ২০১২ দা চথুখিবা সর্ভেগী মতুং ইন্না মণিপুরগী লৌ উবা য়াবা লম অসি চাউরাক্লা লৌফম হেক্টর ২,৩৪,০০০ নি হায়না ষ্টেটকী লৌউ-শিংউ লোয়শঙদগী ফংবা পাউনা হায়রি। হায়রিবা পাক-চাউবা মশীং অসিগী মনুংদা লৌফম হেক্টর ১,৯৫,০০০ না তম্পাক্তা লৈবা লৌ উবা য়াবা লমশিংনি। কুমজা ২০১২ গী মতুং হায়বদি তেল্লবা চহী খরসিদা মাঙশিল্লক্লিবা লৌফমশিং অসি য়েংলুরগদি ষ্টেটকী লৌউ-শিংউ লোয়শঙনা লৈ হায়না পারিবা লৌফম হেক্টরশিং অসি শরুক অহুমগী মনুংদা অমা তাথরম্লগনি হায়না লৌবা য়াই। হৌজিকসু তোঙান-তোঙানবা মহৈশঙ, কোলেজ, ব্রিক ফিল্ড, ফেক্টরিনচিংবা কয়া শাজিন্দুনা লৌফম মাঙহনবা লেপত্রি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা মণিপুর লৈঙাক্না ষ্টেট অসিগী দিভলপমেন্টকীনি হায়দুনা লৌফম হেক্টর ৩০০/৪০০ বু অমুক্তদা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাননবা, কলচরেল য়ুনিভর্সিটি লিংখৎননবা লম লৌশিনবগী থবক চথুরি। ইম্ফাল ফাওবা য়ৌরক্কদবা রেলৱে প্রোজেক্টনা পীকখ্রবা মণিপুরগী লৌ উবা য়াবা লমশিং পাক শন্না মাঙহনগদৌরি। মসিগীসু মথক্তা ইম্ফাল রিং রোড অথুবা মতমদা শেম্বা হৌগদৌরিবা অসিগীসু লৌবুক কয়ামরুম শোকহনগদৌরি। শম্না হায়রবদা লৈবাক্কী চাউখৎ-থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদা ঐখোয়গী থৱায় ওইরিবা চীঞ্জাক পুথোক্কদৌরিবা লৌফমদা তাইনরি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি পীল্লবা লৌফম হেক্তর লাখ ২.৩৪ রোম অসিদা হৌজিক হৌজিক লৌ উবগী থবক য়াম্না কন্না চথনবা মতম য়ৌরে। লৌমী অয়াম্বা লৌবুক্তা লৈরে। ঙসিদগী নুমিৎ ১৫/২০ নিগীরোমগী মতুংদগীদি য়ুরিয়া পীয়ু হায়বা দিমান্দ তৌনরক্লগনি। য়ুরিয়া হায়বসি লৈঙাক্না কন্ট্রোল তৌরগা থম্বা পোৎশক ওইবনা লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা মফম অমদা কনাগুম্বা অমনা য়োনবা নৎত্রগা পৈশিন্দুনা থম্বা য়াদে। অতাবা মমলদা লৌমীশিংদা ফংহনগদবা য়ুরিয়া লল্লোনপোৎ ওইবসু য়াদে। হৌজিক্কী মতমদা কেমিকেল ফর্টিলাইজর মখল অসি মহুৎ শিনবা য়াবা থৌরাং পাক শন্না পায়খৎত্রিবা মরম্না লৌমীশিংনা য়ুরিয়া য়াওদ্রবদি লৌ উবা ঙমদে। মসিগীসু মথক্তা কন্ট্রোল তৌদ্রবা অতৈ কেমিকেল ফর্টিলাইজরশিংগা য়ুরিয়াগা য়ানশিন্নরগা লৌফমদা চাইগদবা মরম্না অসিগুম্বা মখলগী ফর্টিলাইজরশিং অসি লৌমীশিংদা ইৱা-ৱাহন্দনা ফংহনবা হায়বসি লৈঙাক্কী থৌদাংনি। মরম অদুনা ষ্টেটকী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা য়ুরিয়া দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর খুদিংদা, সব-দিভিজনেল হেদ ক্বার্টর খুদিংদা নৎত্রগা লমতুপ খুদিংগী পান্থে অমা তৌরগা ফংহন্নবা হৌজিক্তগী হৌনা থৌশিল শেমসি। চূনবা মমলদা লৌমীশিংদা ইৱা-ৱাহন্দনা য়ুরিয়া ফংহনবা হায়বসি হৌজিকমক্কী ওইনদি লৈঙাক্না লৌমীশিংগীদমক থবক তৌবীরবনি হায়বা য়াগনি।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

লৌবুক মায়কৈ পাংলসি, লৌবুক্তা কুম্লসি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

খুঙ্গং কয়াদগী মীওই কয়ানা ইম্ফাল সহরদা লাক্তুনা লম কয়াদা মখোয় মখোয়না অনীংবা অপাম্বা কয়া তৌনবা তিল্লরি। মরুওইনা নুপাশিংনা কনাগী য়ূম য়োনবগী, দুকান য়োনবগী, গাড়ী য়োনবগী, লম য়োনবগী ঙাঙনবা, মহৌশাগী ষণ ললোনবশিংনা মখোয় মশেল পূনশিন্নরগা ষণবু অদুগী ষণ অদু শিৎননবা য়েংবা চৎপা, য়েংলুরগা ৱাতানবা অমদি মমৈদা গ্রুপ গ্রুপ শেম্নদুনা মমল হুন্নদুনা য়ানবা য়ানদবা মতম কয়া মাঙহল্লবা মতুং অতোপ্পা অমনা লৌখিবা অমদি অতৈ পোৎলম কয়া য়োনবগী পৈশা খরা ফংননবা হোৎনবদা ভারা তিংনা লাক্লগা বজারদা য়োল্লরিবনি। মীশিং অদুগী মরক্তা খরা অমনা মখোয়না খঙন-চান্নবশিংদা থবক হাপ্পীগনি, মন্ত্রিদু মাগী মীনি হায়দুনা পৈশা লৌশিনবা, ওইদ্রগা পৈশা হন্দোক হঞ্জিন্দা খৎন-চৈনবা কয়াসু থোক্তবা নত্তে। ওফিস কয়াদা থবক্কী ৱানোল্লিবনি হায়দুনা কোয়চেন চেনবা, রিটয়ার্দ তৌরবা মীওই কয়াগী পেন্সনগী কোয়চেন চেনবা, মেদিকেল এদভান্সকী নৎত্রগা রিএম্বর্সমেন্টকী চেনবা, ও বি সী সার্টিফিকেটকী চেনবা, লৈঙাক্কী মখল মখা কয়াগী স্কিমশিংগী কান্নবা ফংগদবা কয়াদুগী চেন চোঙবা মীশিং ইম্ফাল সহরদা ফনদি য়াম্না লৈরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। হৌজিক পাল্লিবা অনৌবা লৈঙাক অসিদি করপসন অমদি অরোন অথুপ তৌবা য়ারোই হায়রবনিনা বজার মনুংদা কোয়চেন চেন্দুনা কান্নদবদা -মতম মাঙহন্দুনা লৈগদৌবগী শরুক লৌবুক্তা কুমদুনা মাগী মাগী লৌবুক নৎত্রগা ইঙ্খোল কয়াদা মতম মতমগী লৈঙাক্না লৌমীশিংদা পীরিবা কিষান ক্রেদিট কার্দনচিংবা পায়দুনা লোন লৌদুনা দবল ক্রোপিং তৌমিন্নরসি, সবসিদিগা লোয়ননা পীরিবা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা শীজিন্ননবা খূৎলায়শিং লৌহৌনবা হোৎনরসি। লৌবুক মায়কৈ পাংলসি, ইঙ্খোল শম্বল শেল্লবসি। লৌবুকলোমদা কুমথমিন্নরসি। মণিপুর পুংশং শংহল্লসি। মদুনা য়াইফবা ওইগনি। লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা লৌমীগী কান্নবা যোজনা স্কিম ইন্সুরেন্স কয়া শকখঙবগা লোয়ননা লৌবুক মায়কৈ পাংলসি, লৌবুক্তা কুম্লসি।

অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্ম

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫২

১। 'খুমন কংলৈরোল' কৌবা লাইরিক অসিগী অইবা অদু কনানো?

২। ''ঈগী হৌরকফম ঈরৈপাক্নি/অতৈ ইমা অরায়বনি/পোক্লফম লমদম ইমানি।'' পরেংশিং অসি মহাকবি হিজম অঙাংহলগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। ''থোৎলবা হকচাং কয়াৎ/নোংমৈ গুলিনা পাল্লবদা/...ঈ থোক্কনি/... খনবিদবা করিগীনো?'' পরেংশিং অসিনা টি সনামচাগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং মমিংদু হায়য়ু।

৪। হোমরগী 'ওডিসী' বু মণিপুরীদা হন্দোকপা মীশক অদু কনানো?

৫। 'মণিপুরী সাহিত্য' কৌবা নৈন-ৱারেং লাইরিক অদুগী অইবা কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

পিছ টৌল্ক অমদি ৱায়েলশঙগী অচুম্বা ৱায়েল

অওনবা মালেম

সৌবাম তোম্বা লুৱাং

মী অমনা মী অমবু হাংলবদি পীল্লবসু চাউরবসু মরাল অমদি লৈরে। মরালগী মতুংইন্না চুনবা চৈরাক ফংবা মশানা তাবনি। ৱায়েলশঙদা ৱায়েল চৎথদুনা থুনা চৈরাক পীরবদি মীওইবগী অহিংবা খুন্নাই অমদি মীয়ামগী লৈঙাক অমদি লৈরে হায়না লৌবা য়ারে। মী অমা মরাল লৈরে হায়দুনসু মীওই অমনা হেক্তা ফুবা অমদি হাৎপা য়াদে হায়বসি ঙসি হিংলিবা মী পূম্নমক্কা লোয়না খঙনরে। মরাল লৈরবা মী অদুবু হাৎনবা মী লৈবাক্কী লোনা অয়াবা পীদুনা লৈরি। অদুগুম্বা মীশক অদুবু ফাননবা মী লৈরি অদুগা মরাল লৈব্রা নৎত্রগা লৈতব্রা হায়বদু ৱায়েলনবা ৱায়েলশঙ লৈরি। লঙজরুবা মরালগী মতুংইন্না ৱায়েলশঙনা শিবা নৎত্রগা মপুন্সি চুপ্পগী নৎত্রগা চহী অসুক কৈশুমশঙদা থম্নবগী ৱায়েল পীরি। মসিনি মীওইবগী চৎনবী। মসিনি মীয়াম্না লৈঙাকপা, চাওখৎলবা লমদম অমগী চৎনরোল।

হন্দক উখুলদা মীওই অনী হাৎখ্রে লালহৌলূপ অমগী মীওইশিংনা। মীওই অনীগী পুন্সি লোমখ্রে মখোয়গী মখূৎতা। ৱায়েল চথদনা হাৎখিব্রা? মখোয়বু ঙসিগী য়াম্না চাওখৎলবা ২১ শুবা চহীচা অসিদা ৱায়েলনবগী হক লৈব্রা? অমরোমদা মখোয়বু ৱায়েলশঙগী মথৌ তৌরি করম্না হায়গনি। মখোয়না লালহৌরিবসিসু লৈবাক অসিদা চৎনরিবা লোনা য়াদে হায়দুনা মখোয়দা অথিংবা কয়া গভর্ণমেন্টনা থল্লি। লোনা য়াদবা মী অমনা অচুম-অরানগী মরমদা করম্না ৱায়েলগনি? মসিদগী করম্না অচুম্বা, অশেংবা ৱায়েল ফংগনি। মখোয়বু ৱায়েলবগী থবক অসিবু হৈবু হৈরবরা? ৱাকৎলিবা মীওই অদুসু করম্না মরাল লৈ হায়রোই। ৱাকৎফম নত্তবা মফমদা ৱাকৎলুবা মীসু মরাল লৈ হায়দবা ঙম্লোই। মীওই অদুসু লোনা য়াদবা লূপ অমগা অকনবা মরী লৈনরে হায়দুনা লোগী অমদি গভর্ণমেন্টকী মীৎয়েংদদি য়েংলকপা তাবনি। ৱায়েলবা হায়বসি ৱাখল তারবা মীওই অমনা খঙই মদুদি লো তম্লকপা মীওই ওইবা তাবনি। লোগী থাক হায়বদি উকিল, জজ পূম্নমক লো তমদনদি ওইবা য়াবা নত্তে। মসিগীসু মথক্তা ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসন্না করি হায়রি, করি পীরি হায়বদু য়েংলগা মরাল লৈবা/লৈতবা অদুগা ফংগদবা চৈরাক অদু অচান মীরাই নাইদনা লেপকদৌরিবনি। মসিদসু নত্তে মদুদি ৱাকৎলক্লিবা অমদি মরাল লৈরে হায়রিবা নাকল অনীমক্কি ৱা তারবা মতুংদতা চৈরাক পীবগী ৱাফম অসি লাক্কদৌরিবনি। মসি মালেমগী লৈবাক কয়াদা চৎনরি। লৈবাক কয়াদদি লো লৈতবা মরম্না তৌনীং-তৌনীংবতা তৌবা কয়াসু লৈরি। শম্না নোর্থ কোরিয়াদা তৌরিবশিং মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা কয়া য়াওরি। উখুলগী থৌদোক অসিদা নাকল অনীগী ৱা তাখিব্রা? অকি-অখং লৈতনা ৱায়েলখিব্রা? ৱায়েলবা হায়বসিদদি নাকল অনীমক্তা অকি-অখঙ পোকহনবা য়াবা নত্তে। অকিবা পোকহল্লবদি অচুম্বা ৱায়েল হায়বদু ওইবা ঙমদে মদুনা অচুম্বা, অশেংবা নমশিন্দুনা থমখি। মদুনা খুন্নাইদা অমদি গভর্ণমেন্টতা চরাংনহবা থোকহল্লি। মীওইবা খুন্নাইগী অশেংবা হক তানবগীদমক্তা থোক্লক্লবা লূপ অমনা মীওইবগী হক খোঙ্গাউনবগী থবক তৌরকপা হায়বসি য়াম্না লায়বক থিবা অমনি।

লালহৌলূপ অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা য়াশিন্নবা পুরক্লবা ৱারী শাবগী থবক চথুরি। মী পূম্নমক্কা খঙনরে মদুদি গভর্ণমেন্টকা মখোয়গা সিজ ফায়র তৌনরি। মসিদা চয়েৎনবা অমা অদুম লৈরি। মদু করিনো হায়বা তারবদি করি লমদনো শিজ ফয়র লৈরিবসে হায়বসিনি। মসিগী অকক্লবা লম অমদি লৈবা তাবনি। ইন্দিয়াগী মফম পূম্নমক শিজ ফয়ার লৈবদি য়াবা নত্তে। অদুবু অসুম্না দি হায়রি 'শিজ ফায়র তৌদবা নাকল অনীনা'। মসিনা তাকপদি খূৎলায় থানবা লেপ্পরে হায়বগুমনি। অদুবু হান্নদি অসুম্না হায়রম্মী হায়বসি মীয়াম্না কাউবা ঙমদে - 'শিজ ফয়ার ৱিদাউট টেরিটোরিয়েল লিমিট'' হায়দুনা। মসিদদি ইন্দিয়াবু নৎত্রে মালেমগী মফম পূম্নমক কোনশিল্লে। মণিপুরদি তোকপু তোকখিসি। মসিদগীনি কুমজা ২০০১ গী জুন ১৮ গী থৌদোক থোকখিবা। মীওই ১৮ গী পুন্সি লোমখিবা। ফরে মথং অমুক য়েংসি। 'ৱিদাউট টেরিটোরিয়েল লিমিট' হায়বা ৱাহৈদু সেন্তরনা খুদক্তা লৌথোকখ্রে মসিনা মীয়ামদা নুংঙাইহন্দবা অমদি চয়েৎনবদু কোল্লব্রা? মসিনি য়াম্না লুরিবদি। মীওই কয়া অমনদি মণিপুরদা সিজ ফয়ার য়ৌদ্রে হায়নবসু লৈ। অদুবু মীওই খরনদি অসুম্না খন্দে। খরনদি নাগালেন্দ খক্তদা শিজ ফয়র চৎনখ্রে হায়না খনবসু লৈ। ৱাহন্থোক য়াম্না য়াম্মী। মসিগী মতাংসি। ৱিদাউট টেরিটোরিয়েল লিমিৎ হায়বদু লৌথোকখিবদগীবু হেঞ্জিল্লকই হায়বা য়াই মণিপুরদা শিজ ফয়ার চৎনবগী মতাংসি। ৱাহন্থোকসি অসুম্না লৌনবসু য়াই মদুদি 'শিজ ফয়ার চৎনরে'। মসিদা ৱা লোইরে মদুদি নাগালেন্দখক্তদা হায়বসু পন্দ্রে নৎত্রগা লম অমগী মমিং পন্দবনিনা মালেমগী মফম অমদা শিজ ফয়ার চৎনরে হায়না লৌবসু য়াওরি। অদুগা মসি অমরোমদা য়াদবসু নত্তে করিনা হায়ববু লম মমিং পন্দবনিনা। ৱিদাউট টেরিটোরিয়েল লিমিট হায়বদু য়াওবগা য়াওদবগা খেন্নবা করিসু লৈতে। লূপ অদুনা খল্লিবসি মসিনি। অদুগা মণিপুরগী মীয়াম্না খল্লিবনা মদু নত্তে হায়বসিনি। সেন্তরনা খল্লিবনা অনীমক ওইনা য়াই মফম মতমগী মতুংইন্না। পোৎশক অমখক্কা থবক অনীদা শীজিন্নবা য়াবা হায়বদুনি। শম্না 'টু ইন ৱান' হায়বদুমক্কি।

মদুননি মণিপুরদা লূপ অসিগী কেম্প হাংদুনা লৈরিবসি। মণিপুরগী মীয়াম্নদি লোন্না কেম্প হাংদুনা লৈরে হায়দুনা ৱারৌবা পোকই। অদুবু লূপ অসিনদি লোন্না থুপ্পা হাংবা লৈতে শোয়দনা হায়রক্কনি মরদি কেম্প অদু মীচম মীয়াম্না লৈনবা যূমলক্তা লৈবনি। মদু অশুকপা উমং নৎত্রগা লৈনুংদা হাংবা কেম্প নত্তে হায়রক্কনি মীয়াম্না। মীয়াম মরক্তা চৎথোক-চৎশিন তৌরি ফোঙনা কেম্পতগী থোক্লক্তুনা। অদুগা অমুকসু মখোয়বু সেক্যুরিটি ফোর্সনা ফাবা পূনবসু লৈতে। মসিনি মখোয়গী ৱাহন্থোক। অদুননি ৱিদাউট টেরিটোরিয়ল লিমিট হায়রবসু হায়দ্রবসু হন্নিংবা ৱাহন্থোক্তা হনবা য়ারে। পূম্নমকসিগী মরাল হায়ববু ইংলিস হায়বা লোল অসিদা তায়নগবদবা মঙায়রে। মসিনা শোকহনবনি মায়কৈ অনীদা থবক অনী ইয়াদা য়াহনবগী। নুংঙাইরিবসি আসাম অমদি অরুনাচল প্রদেশতদি শিজ ফয়ার য়ৌবা/য়ৌদবা অদুগা লূপ অসিগী কেম্প হাংবা হাংদবগী ৱাথোকসে ইরৈ লৈতে। মসিদনা ইংলিস লোলগী মতিক ময়াইসি অমুক পুংচম চমখ্রে। মতাং অসিদা অমুক খল্লকই মদুদি লোনসিসু লম-লম্না পুবা ওইরে হায়না। আসাম অমদি অরুনাচল প্রদেশসু হায়রিবা লূপ অসিনা কোনশিনবদা য়াওরি। মখোয়সু (লূপ অনী) মণিপুরখক্তদা মখৌ পোংবা, মথৌ উৎথোকপা ওইনা তৌই। করিনো হায়বদি হংলুদ্রে। লৈরিবা ফীভম অসিদা মণিপুরদা পানবা গভর্ণমেন্ট অমত্তা মপাঙ্গল থোক্লা থবক তৌবা ঙম্লোই। গভর্ণমেন্ট খুদিংমক মীৱা তারগা অদুম লৈগনি। মমাঙদা পানখিবা গভর্ণমেন্টসু মীৱা তারগতা তোকখি। করিসু তৌবা ঙমখিদে। মসিগী মতাংদদি গভর্ণমেন্ট হায়বসি মখোং-মখূৎ পুনশিল্লগা থম্বগুম্বনি। থবক কয়া লৌখৎপা ঙমদবমক্তি নত্তে অদুবু শিজ ফয়ার হায়বা অমা সেন্তরগা তৌনদুনা লৈবনিনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনদি চঙশিল্লুবা য়াদবা কয়া লৈরি। মসিগী খুদোংচাবসি লূপ অসিনা লৌদুনা লৈরি। আসাম অমদি অরুনাচল প্রদেশতসু লূপ অসিনা মণিপুরদা মনীং-মখা তৌরিবসিগুম্না তৌবা ওইরম্লবদি অচৌবা ৱাথোক ওইরক্কনি। মদু ওইরবদি লূপ অসিগী মথক্তা ষ্টেট অহুম অসিগী মীয়াম্না ঈহৌ হৌরকপদা লূপ অসিগী মপাঙ্গল হনথরক্কনি। মরুওইনা মণিপুরগীদি লূপ অসিগা ৱাখল মান্নবা লূপ কয়াগা চৎমিন্নবনা ৱাথোক অসি হেন্না লুশিনহল্লি।

পূম্নমকসি ওইদুনসু মী হাৎলবদি ৱায়েল চথবা নত্তনা অতৈ লম্বী লৈতে হায়বসি মীওইবা খুদিংমক্তা চৎনগদবনি। লালহৌবা ওইরবসু মী হাৎপগী মরম থিগৎপা তাই। উখুলগী থৌদোক্তা মীহাৎপদু পুলিসনা ফাদুনা তৌফম থোকপা মথৌ তৌবা চুম্মী। ৱায়েলশঙদা অচান-মীরাই নাইদনা ৱায়েল চথবা হায়বসি লৈবাকসিগী চৎনবীনি। লূপ অদুনা মখোয়গী ওইবা থিজিনবগী থবক চথদুনা মখোয়গী ওইবা মওংদা ৱায়েল চথগনি হায়বসিবু চুনব্রা ঙসিগী চাওখৎলবা মতম অসিদা অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু মী হাৎলবদি লমদমসিগী লৈরিবা লোগী মতুংইন্না ৱায়েল চথবদি চুম্মী। পিছ টৌল্ক তৌরবসু মী হাৎলবদি চৈরাক ফংহনবা চুম্মী। মীচম হাৎলক্লিবসি মীয়াম্না য়ানিংগদ্রা? মখোয়না তৌরক্লিবা মওং মতৌ অসিদি মখোয় মশামক্কী ফুরুপ্পা য়ানীংগনি হায়বা থাজবা ঙমদে। মখোয়গী ইমুং মনুংমক্লসু য়ানীংগনি হায়বা থাজদে। অদুনবু মীহাৎপশিংগী মথক্তা ফোঙনা খোঙজং চঙশিল্লক্লিবসিনি। মখোয়গী থৌনা লিংজেল থাগৎতবা ঙমদে। মতম কয়াদগী থম্মোয়দা ফুমদুনা লৈবা মৈচাক কয়া হন্দক্কী মতাং অসিদা ফুদোরকপনি। অপূনবা মণিপুর অমগীদমক্তা অসিগুম্বা খোঙজং অসি মতম পূম্নমক্তা মথৌ তারি।

মতমসিগী অয়োকপা ঙা অমদি মনা-মশিংগী মহাওশিং

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

সাইন্স অমসুং কম্প্যুটরগী মতিক্কা, মীওইবনা চাওখৎ-খোঙথাংগী লম্বীদা অসুক্কী মতিক হেন্দোক-ফাদোক্না চৎপা ঙম্লবসু অমসুং অতিয়া পক্নমক ৱাংনা চাওখৎলবসু, মীওইবনা মীওইবগী থৱায় হিংননবগীদমক নুমিৎ খুদিংগী চানরিবা অয়ূক অমসুং নুমিদাংগী চরাশিংসিদি খক লেপহনবা ঙম্লোই। চরাশিংসিগীদমক, হৱাই-চেঙৱাই অমদি মনা-মশিং, ইংরাজিদা হায়রগা ভেজিটেবল আইটেমস হায়না খঙনরিবা পোৎশকশিংসি, মীওইবগী হকচাংগীদমক খ্বাইদগী হেন্না মথৌ তাবা চীঞ্জাকশিং ওই। চীঞ্জাকশিংসিমক্কা মীওইবনা হিংদুনা অমসুং ৱাখল খন্দুনা, পুন্সিগী ওইবা থৌদাংশিং পূম্নমক মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমহল্লিবনি লোয়ননা চাওখৎ-খোঙথাংগী লম্বীশিংসিদসু খোঙ থাংজিনবা ঙম্লিবনি। মরকসিদা, মীওইবগী লুরবা চীঞ্জাকশিং ওইরিবা মনা-মশিংগী আইটেমশিংদা ৱাখল থেনবদগী মীওইবনা, মীওইবগী হকচাং মাঙহন্নবা অমসুং লায়না-তীলনা কয়া লেপ্তুনা পোকহল্লক্লবা মওংদা চীঞ্জাকশিংসিদা, তত্তনা পোৎয়ান কয়ামরুম য়াওহনবগী থৌদৌশিং অমদি ফত্তবা পোৎশকশিং ওলহল্লক্লবগী মরমশিং চথনরিবসিমক্তি অচুম্বা থৌদৌ ওইরোই। মণিপুরদা মীওইবনা নুমিৎ খুদিংগী চানরিবা এঞ্জাং-নাপি অমদি মনা-মশিংশিংদা কা হেন্না খূৎশেমগী হারশিং হাপচিন্দুনা অমদি খূৎশেমগী ওইবা হীদাক-লাংথকশিং কাপশিন-চাইশিন্দুনা মীওইবগী হকচাং মাঙহনবা য়াবা মওংদা, শুপ্নগী পীকখ্রবা শেঙ্গদাং মচা খরগীদমক চাংদম্ননীংঙাই লৈতনা ফত্তবা থবকশিং পায়খৎনবগী মমি তারি। থৌদৌশিংসিগী মরমদা খরদং খন্না-নৈনবগী মথৌ তাই খঞ্জে।

ইরমদমসিগী কৈথেলশিংদা হৌজিক ফংনরিবা, লৈন-য়োন্নরিবা ফামগী ঙাশিং অমদি মনা-মশিংশিংসি, মখোয়বু য়োকপা অমসুং কোয়বা মতমদা অসুক্কী মতিক খূৎশেমগী ওইবা হীদাক-লাংথকশিং অমদি হারশিং শীজিন্নবগী মমি কা হেন্না তারি। মরুওইনা, এঞ্জাং-নাপিগী আইটেমশিংদা থবী, শেবোট, মাইরেল, খোংদ্রুম, য়েন্দেম, থাংজিং, ইকাইথবী অমদি মোরোক অতেপনচিংবা মখলগী পোৎশকশিংসিদা মখল-মখলগী চাংয়েংশিং শীজিন্নরি। হৌজিক ফংলিবা মণিপুরগী মনা-মশিংগী পোৎশকশিংসিগা মমাঙঙৈদা ফংলম্বা পোৎশকশিংসিগা ৱাখলনা চাংদম্নদুনা য়েংবদা অসুক্কী মতিক খেন্নবশিং উবা ফংই। ৱাফমসি লমদমসিগী মীওই কয়ামুক্না নোংমা-নোংমগী লেপ্তুনা ঙাঙনরক্লি। ফীভমসিদা মণিপুরদা, হৌজিক-হৌজিক কৈথেলদা য়োল্লিবা মনা-মশিংশিংসি লৈরগা চাগদৌবা কিবা পোক্নরকপগী ফীভম ফাওবা য়ৌনা মীওই কয়ানা পন্নরক্লি। অদুম ওইনমক, এগ্রিকলচর/হোর্টিকলচরদা দোক্টরেট দিগ্রি ফংলক্লবা লমদমসিগী মীওই খরনদি ৱাফমসি তশেংনা অরানবা ওইরমগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লন্দবদি নত্তে। অদুবু লুরিবদি, মীয়াম্না ঙাঙনবা ঙাক্কী ৱাফমশিং নত্তনা, ঐখোয় ইশা-ইশানসু মতমসিগী এঞ্জাং-নাপিগী মখলশিং কৈথেলদগী লৈরুরগা চাকশঙদা মতম খরদং থম্বদা, থায়নগী মতমদা ওইরম্বা এঞ্জাং-নাপিগী ফীভমশিংদুগা হৌজিক্কী মতমগী এঞ্জাং-নাপিশিংনা ওইরক্লিবা ফীভমশিংসিগা অসুক্কী মতিক খেন্নবশিং উবদি ফংলি। হৌজিক্কী মতমগী মরোয় নাকুপ্পী, থাংজিং অমদি অতৈ মরোই-মপাংশিং নুমিৎ নীনি শুনা খক থম্বা য়াদ্রি। অয়াম্বনা খোঙলৈ থুনা পৎশিন-পুমশিল্লকপা অমসুং মহী চেন্দুনা মাঙবগী থৌদৌশিং অসুক্কী মতিক তোয়না থেংনরি। ফীভমশিংসি থাংজিং পান্থীগী মখোঙদা য়ুরিয়ানচিংবা খূৎশেমগী হারশিং তোয়না হাপ্পরকপা অমসুং মরোয় নাকুপীনচিংবদা হেঞ্জিনবা মওংগী হার নৎত্রগা খূৎশেমগী হীদাক লাংথকশিং হাপ্প রকপদগী থোক্লকপা ওইরমগনি কন্না চিংনরি। ফীভমশিংসিদা ৱাখল খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইত্রিবসি, মীওইবনা অতৈ হীরমশিংদা মীনম-শোরিদুনা নত্তবা পান্থেশিং শীজিন্নদুনা শেল হেন্না তান্নবা অমদি শেন্দোং হেন্না ফংনবা পান্থেশিং তত্তনা পুথোক্নরবসু, তঙাইফদনা হিংনবগীদমক অমসুং হকচাং ফন্না, তিঞ্জং-কায়জংদনা লৈনবগীদমক মপূং ওইনা চানরিবা মীওইবগী চিঞ্জাক্কী মখলশিংসিদদি অসিগুম্বা মখলগী থৌদৌশিংসি তৌহনবা খক চুম্লোই খল্লি। ঐখোয় ইশানা ইশাগী ইপুন্সি ককশিঞ্জনবা অমদি লায়না তীলনা কয়ানা য়োল্লবা মীশক অমমম ওইরক্লবগীদমক শীঞ্জবা হায়বসি মীওইবশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী হেন্না পংবা থাক্কী মীওইশিংগী ৱাখল্লোনশিংদা চিংগনি। থৌদৌশিংসি তশেংনমক মালেমগী ওইনা চথনরকপা থোক্লবদি মীওইবা কৌবা কাঙলুপসি মালেমগী লৈমায়সিদা কয়াম কুইনা হিংদুনা লৈবা ঙমখিনি। মীওইবনা হিংনরিবসি শুপ্নগী চিঞ্জাক হায়বা পোৎশকসি খক্তগী মপান তাংলগনি হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্না কাউফম খক থোক্তে।

চাওখৎলকপগী মতুংইন্না মেদিকেল সাইন্সনা হীরম কয়ামুক্তা, মীওইবগী হকচাংদা শোক্লক্লিবা অমসুং নারক্লিবা অনা-অয়েকশিংগী মরমদা লায়েংনবা অমদি মাঙজৌননা চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎহৌনবা পান্থে কয়ামরুম পুথোক্লবা হোৎনরি। তাঞ্জাসিদা, মায়কৈ অমরোমদা ঐখোয়না ইশানা ইশাবু লায়না-তীলনা কয়ামরুম্না নারকহন্নবা অমসুং পুন্সি ককশিলহন্নবগী থৌদৌশিং পায়খৎপা হায়বসি তশেংনা লানগনি। ৱাখল অমরোমদদি ৱাফমসি অসুক্কী মতিক লুনা খন্নীংঙাইসু ওই। চুম্নগী এঞ্জাং-নাপিখক্কী ৱাফমদা নত্তনা হৌজিক ঐখোয়না চানরিবা কৈথেলদা য়োল্লিবা লমদমসিগী ফিসরি ফার্ম কয়ামুক্না পুথোক্লিবা ঙাগী পোখোকসিদসু মখল-মখলগী ঙাশিংগী তোঙান তোঙানবা মওং-মতৌশিং উবা ফংনরি। হৌজিক্কী মতমগী ফার্মগী ঙাশিং অয়াম্বা, অতেনবা মতমগী মনুংদা খোঙলৈ থুনা চাউনবা হোৎনবদা মখল-মখলগী মচিঞ্জাকশিং অমদি হীদাক-লাংথকশিং শীজিন্নবগী মমি তারি। অসিগুম্বা মখলগী ঙাশিংসিদা, চাবদা মহাও করিমত্তা লৈতবা, ইচম চম্বা, ফাবা কুইদ্রিঙৈদা অতেনবা মতমগী মনুংদা পত্থ-পুমথগনবা অমসুং থোং-থাকপগী মতাংদসু মশা পূম্নমক মচেৎ-মচেৎ তানা পকপোক্তা পোকখায়গনবগী থৌদৌশিং শোয়দনা উবা ফংই। থৌদৌসি ঙাশিংসি য়োল্লকপা মতমদা মতম শুদনা, অতেনবা মতমগী মনুংদা হেন্না চাউরৈ কন্নবা হোৎনখিবা অমসুং অপীকপা ঙাকোমগী এরিয়াশিংদা মশীং হেন্না চনন্নবা ঙাশিং থাদরগা, মশাগী নোর্মেল ওইবা মচিঞ্জাকশিং চাবা ফংদবা অমসুং খূৎশেমগী ওইবা মচিঞ্জাকশিং খক্তনা চাউহল্লকপা মখলগী ঙাশিং ওইরম্বা য়াবগী থাজবা চাউনা লৈ। থৌদৌসিনা ফিসরি ফার্ম তৌরিবা মীওই খরদি অতেনবা মতমগী মনুংদা চাউনা শেন্দোং ফংহল্লম্বা য়াই। তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা খূৎশেমগী মচিঞ্জাকশিং কা হেন্না পীজরগা চাউরকপা ঙাশিংদুবু চারুগদৌরিবা মণিপুরগী মীশিংগী মশীংদি অমত্তা-অনীদগী ৱাফমদি খক ওইরোই। ফীভমসিদা, করিগুম্বদা খূৎশেমগী অমদি অতৈ মখলগী মচিঞ্জাকশিং অমসুং হীদাক-লাংথকশিংগী সাইদ-ইফেক্টশিংনা ঙাশিংদুবু চারুবা মীওইশিংদা হকচাং শোকহন্নবগী মরমশিং ওইরক্লবদি কনানা মদুগী থৌগায়শিংদু পুগনি। হীরমসিদা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী মিৎয়েং মথৌ তারকত্রিবরা? ৱাফমসি শুপ্নগী ফার্মদা য়োকপা ঙাশিং খক্তগী ৱাফম খক্তসু নত্তে। কা হেন্না খূৎশেমগী হার অমসুং চাউরেল কন্নবা হীদাক-লাংথকশিং শীজিন্নদুনা ইঙ্খোল কোয়বীরিবা, মনা-মশিংশিং থাবীরিবা ফার্মর ইচিন-ইনাওশিংগী মফমদসুনি। মথক্তসু পঞ্জখ্রে। হায়রিবা ফার্মরশিংসিগীসু য়েংশিন্নবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী অহকপা থৌদাংশিং মথৌ তাই।

অসুম্না লমদমসিদা ঐখোয় মশেল পুল্লপ মাঙমীন্নবা য়াবা থৌদৌশিং, শুপ্নগী মীওই অমখক্কী শেন্দোংগী লম্বী খক য়েংলগা পাঙথোকপসি অচুম্বা থৌদৌ ওইরোই। কাঙলুপ অমদি খুন্নাইগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং চেনহন্দুনা, তঙাইফদনা মীওইবগী চীঞ্জাক্কা মরী লৈনবা হীরমশিংদা ফার্ম তৌরিবা ইচিন ইনাওশিংদসু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অহকপা পাউজেল কয়ামরুম থমহন্নীংই। নত্তদুনা, থৌদৌসি ফার্মরশিংনা পাক্তক্লনা চৎনবী অমা ওইনা চথুরকপা থোক্লবদি তেল্লবা মতম খরগী মনুংদা শোয়দনমক্কী অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরক্কনি খল্লি, লোয়ননা অরেম্বদা মশীং থীঙমদ্রবা মীওই কয়ামুক অমগী হকচাংশিংসু শোক্লক্কনি। মরমসিনা, মীওইবনা তঙাইফদনা শীজিন্নদবা য়াদ্রবা চীঞ্জাক্কী আইটেমশিংদা ফার্ম তৌবিরিবা ইচিন ইনাওশিংনসু মতম লৈবা খিবিক্তা হীরমসিদা খজিক্তংদা ওইরবসু ৱাখল তাহন্নীংই। তুংগী খুন্নাইসিগী হৌরক্লিবা নহারোলশিংবু মশা-মউ ফন্না, তিঞ্জং-কায়জংদনা থম্বদা ফার্মর ইচিন-ইনাও পূম্নমক্লসু অচৌবা থৌগায় লৌহন্নীংই। খন্থরগা পাঙথোকপা থবক খুদিংমক্কী পোলোয় অমসুং থবক্তুগী মহয় মতম চুপ্পদা ফগাল্লি।